**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাড--

১) লোক সভাগী এম.পি. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায়রি- ইজ্‌কেসন সেক্তরদা শেল থাদবগী মথক্তা অফবা পোলিসি শেম্বা, মদুবু নিংথিনা থবক ওন্থোকপা ঙম্বা লুচিংবশিং থোরকপগী তঙাইফদবা লৈ।

২) অফবা মতিং লৈবা নহারোলশিং পুথোকপা ঙম্লবদি লৈকাই নত্রগনা খুন্নাই অদু অফবা নুংঙাই য়াইফবা মাইকৈরোমদা চংশিনবা ঙমগনি হায়না এম.এল.এ- করাম শ্যামনা হায়রি।

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা লুপা কোতি লিশিং ১১ হেনবগী অচৌবা নেসনেল হাইৱে প্রোজেক্ট অনি শঙ্গাখ্রে।

৪) ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা হায়রি-আইনগী মতুং ইন্না নিতি নিয়ম চুমা ইলেক্তোরেল রোলশিং শেম শাবগী থবক চত্থখি।

অমসুং

৫) বি.জে.পি. পার্লিয়ামেন্টরি বোর্ডকী মীফম অমা ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা দলগী হেদ্‌ক্বাটরসতা পাঙথোক্লি।

------

এৱার্দ (এল) ঃ লোক সভাগী এম.পি. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায়রি- ইজ্‌কেসন সেক্তরদা নিংথিনা শেল থাদদুনা হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংদা মহৈ মশিংগী মঙাল নিংথিনা লৈহনবা ঙমদ্রবদি মাঙলোমদা চংশিনবা খুনাই অমা ওইহনবা ঙমলোই।

দ রোল ওফ লেজিসলেচর এন্দ ক্রাফতিং এ নিউ মণিপুর হায়বা হিরমদা ওফিস ওফ দি মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (লোক সভা, ইন্নর মণিপুর)না শিন্দুনা ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ওদিতোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল এসে কম্পিতিসন ২০২৫ গী মকোক মথং তারবা মহৈরোইশিংদা পুকিং থৌগৎতুনা মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদা শ্রী বিমোলনা হায়- মালেমগী ওইনা মাংজিল থাবা লৈবাক অমা চাইনানা ওইবা ঙম্লক্লিবা অসি চহি ২০ লোমগী মমাংদগী হৌনা লৈবাক অদুদা ইজ্‌কেসন পোলিসি শেমদোক্তুনা অফবা য়ুনিভর্সিতি কয়া লিংবা ঙমখিবা অদুনা অচৌবা মরম ওইরি। অসুমা মায় পাকবা হোৎনবদা ইজ্‌কেসন সেক্তরদা শেল থাদবগী মথক্তা অফবা পোলিসি শেমদুনা পোলিসি অদুবু নিংথিনা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্বা লুচিংবশিং থোরকপগী তঙাইফদবা লৈ। হান্না লৈরম্বা অশোইবশিং চুমথোকপা অমদি তুং কোইগদবা পোলিসি শেমদুনা মীৎয়েং শান্না থমদুনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈগনি। মসিনা খুমাং চাওশিন্না মাঙলোমদা চংশিনবা লমদম অমা ওইবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা সি.এল.পি. লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা হায়- লৈবাক অসিগী নাগরিক অমা ওইরবদি ভারত সংবিধান্না পীরিবা হক অমসুং দ্যুতিশিং ইনদুনা চৎপা অমদি মদুবু থবক ওইনা পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মতম অদুদা হেন্না ফবা মাঙলোমদা চংশিনবা লমদম অমা ওইবা ঙমগনি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা এসে ইবা চাংদমবা অদুদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোই ২৫ দা সার্তিফিকেট অমসুং কেস এৱার্দ পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

শ্যাম (এল)ঃ অফবা মতিং লৈবা নহারোলশিং পুথোকপা ঙম্লবদি লৈকাই নত্রগনা খুন্নাই অদু অফবা নুংঙাই য়াইফবা মাইকৈরোমদা চংশিনবা ঙমগনি হায়না এম.এল.এ- করাম শ্যামনা হায়রি।

সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন করামনা শিন্দুনা ইস্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী করাম লাই হরাউবুং কম্যুনিতি হোলদা ১৪ রক শুবা ওইনা পাঙথোকখিবা মেরিটোরিয়স মহৈরোইশিং পুকিং থৌগৎতুনা তরামা ওকপগী থৌরমদা শ্রী শ্যামনা হায়- হৌরক্লিবা নহাশিংনা মশাগী দাইত্বা খঙবা অমসুং নিশাদগী লাপা লৈদুনা পান্দম অমা থমদুনা হোৎনরবদি হিরম খুদিংমক্তা মায় পাকপা ঙমগনি। অফবা মহৈরোইশিংবু পুকিং থৌগৎপদা মদুবু উরগা হৌরক্লিবা অতোপ্পা মহৈরোইশিংগী পুকিং থৌগৎতুনা হেন্না ফবা মহৈরোইশিং পুথোকপা ঙমগদৌরিবনি। অফবা অঙাং অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা মমা মপা, কৈরোল লৈকাই অমসুং ক্লবনচিংবগী তঙাইফদবা থৌদাংশিং লৈ। থকশি খাসি খঙবা, লাইরিক লাইশু হৈবা মহৈরোইশিংনা হেন্না মশিং য়াম্লবা মতমদা হেন্না চাওখৎপা খুনাই অমা পুরকপা ঙমগদৌরিবনি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী লালপানি কৈথেলদা জিলা অদুগী ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা ৱাইল্ড লাইফ মেনেজমেন্ট এন্দ রেস্ক্যু টেকিক হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা জিলা অদুগী ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি.এফ.ও এলাংবম নিরমালানা হায়- জিরিবাম অসি লম্লক্কী শা-উচেক মরাং কায়না লৈবা জিলাশিংগী মনুংদা অমনি। মীয়ামা লম্লক্কী শা-উচেক কয়া কনদুনা জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজনদা খুৎশিন্নরকপসু লৈখ্রে। অদুবু কনাগুম্বা মীওই খরদি লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু হাৎতুনা চাবগী থৌওংশিং চত্থরি। অসিগুম্বা কয়া অসি থিংনবা অমদি থৌওংশিং অদু চত্থরিবশিংদা ভাব তাহন্নবা পান্দমদা থৌরম অদু পাঙথোকপনি। কনাগুম্বনা লম্লক্কী শা-উচেক হাৎতুনা চাবা অমদি য়োনবগী থৌওং চত্থরবদি ৱাইল্ড লাইফ প্রোতেক্সন এক্টকী মখাদা অহকপা চৈরাক পীবা য়াই। লম্লক্কী শা-উচেকশিংগা মীওইবা অমদি ইনভাইরোনমেন্টকা তৎনা থানবা

য়াদ্রবা মরী লৈনৈ। মরম অসিনা মীওইবা খুনাই অমদি ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু য়োকখৎনবা হোৎনশি।

থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা সরকারগী বিভাগশিংগী মীহুৎশিং, পিপলস ফোর এনিমেলস মণিপুরগী ভোলুন্তিয়ারশিং, রেড ক্রোস জিরিবাম ব্রাঞ্চকী মীহুৎশিং অমসুং ফ্রেন্দলি ইনভাইরোনমেন্টেল ৱারিয়রসকী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

পোলো (এল)ঃ লমদম অসিখক্তদা ফংবা শগোল মখল পোনি কন্নবা অমসুং পোলো মশান্নবু য়োকখৎনবগীদমক লম অসিদা থৱায় য়াওজবা অমসুং নিংথিনা খঙবা মীওইশিংনা সরকারগী পোলিসি প্রোগ্রাম শেম্বদা য়াওশিনবগী মতম ওইরে হায়না মণিপুর পোনি সোসাইতিগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসার সি.ঐচ. প্রিয়োরঞ্জন্না হায়রি।

চীংখৈ হুনবা পোলো ক্লবনা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোংপাল ইরানফম থোংথোঙ কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা ক্লব অসিগী ৩০ শুবা মপোক নুমিৎ পালন থৌরমদা শ্রী প্রিয়োরঞ্জন্না হায়- রাজ্য অসিদা মণিপুরী পোনি হিংহন্নবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি য়েংলুরগদি মালেমদা লমদম অসিবু মশক তাক্লিবা পোলো মশান্না অমদি পোনি মখল অসি মাংখিগদ্রা হায়বগী চাউনা মীপাইবা লৈরি। অদুবু মণিপুরগী পোলো মশান্না অসি ভারত সরকারনা য়ুনিক সেল্লিং পোইন্ট ওইনা রাজ্য অসি মশক তাকবা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসিনা পোলোগী অফবা তুংগী লম্বী অমা ওইহল্লকপা য়াই।

কেম্প (এল)ঃ নুমিৎ ৭ নি চুপা চত্থগদবা নেসনেল সার্ভিস স্কিম (এন.এস.এস)কী স্পেসিয়েল অমসুং রেসিদেন্সিয়েল কেম্প ২০২৫ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই শাজোর লৈকাইদা লৈবা শ্রীশ্রী গৌরগোবিন্দ গার্লস কলেজদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি এন.এস.এসকী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর লাইশ্রম শন্তোস, কলেজ অসিগী এন.এস.এসকী প্রোগ্রাম

ওফিসার ডাঃ মংশাতাবম শুমতি শরুক য়াখি। কেম্প অসিগী মনুং চন্না লম-তু শেংবা য়াওনা উ চারাশিং থাবগী থৌরমশিংসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

তুরেল (এল)ঃ তুরেল অমনবী কনবা লুপ থোংজ্ এরিয়ানা সরকারগী মরী লৈনবা বিভাগশিংগী মীওইশিং খুৎশমদুনা তুরেল অমনবীগী শরুকশিংদা লম খোপচিনদুনা য়ুম কৈনচিংবা শাজিল্লন্বশিং তকথোকবগী থবক পায়খৎপা হৌরগনি হায়রি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা তুরেল অমনবী কনবা লুপকী কনভেন্নর ওইনা খল্লবা নিংঙোম্বম সনাজাউবনা লুপ অসিনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা থোংজ্ এরিয়াগী মীয়ামা মতেং পাংবীনবা হায়খি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা লুপা কোতি লিশিং ১১ হেনবগী অচৌবা নেসনেল হাইৱে প্রোজেক্ট অনি শঙ্গাখ্রে।

প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা দ্বারকা এক্সপ্রেসৱেগী দিল্লি সেক্সন অমসুং অনিসুবা অরবান এক্সটেন্সন রোড য়াওরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- প্রোজেক্টশিং অসি শঙ্গাবা অসিনা এন.সি.আরগী লম্বী থোংগী ফিভমদা চাউনা খুমাং চাওশিনহল্লগনি। মসিনা দিল্লি এন.সি.আরগী মীয়ামদা মখোয়গী চৎথোক চৎশিনদা মতম চংবা হন্থহনদুনা চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি রেখা গুপ্তনা দিল্লিগী মীয়ামগী চাওখৎনবা চোকথবা নাইদনা হোৎনবগীদমক পধান মন্ত্রিবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

ইসিআইঃ ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা হায়রি-আইনগী মতুং ইন্না নিতি নিয়ম চুমা ইলেক্তোরেল রোলশিং শেম শাবগী থবক চথখি।

চেরোল অমদা মীখলগী বোদি অসিনা হায়-তাঙ্কক কয়া নাইনা পায়খৎলিবা ইলেক্তোরেল রোল শেম শাবগী থৌওংগী তাঙ্কক খুদিংমক্তা

রাজনিতি দলশিংসু য়াওহল্লি। মমাংগী মীখলশিংদগী হৌনা ইলেক্তোরেল রোলদা অরানবা কয়া য়াওরে হায়না মরাল শিরক্লিবা রাজনিতি দলশিং অমসুং লন্নাই মীওইশিংবু কম্মিসননা সমালোচনা তৌখি।

ই.সি.আইনা হায়-ইলেক্তোরেল রোলগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং পুখৎনবগীদমক ক্লেম তৌবা অমসুং ওবজেক্সন তৌবগী তাঙ্কক লৈরি। কম্মিসননা ইলেক্তোরেল রোলগী মতাংদা পুখৎলকপা ৱাফম অদু নীংথিনা য়েংশিল্লবা মতুংদা চুল্লল্লবদি মীখল মমাংদা ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসারশিংনা চুমথোকহৌবা য়াই। রাজনিতি দল কয়ামরুম অমসুং মখোয়গী বুথ লেবেল এজেন্টশিংনা মতম চানা দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোলবু য়েংশিন্দবা থেংনৈ অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা ইলেক্তোরেল রোলদা অয়েৎপা ৱাফম অমত্তা পল্লক্তে।

কম্মিসননা হায়-দ্রাফট ইলেক্তোরোল রোলশিং দিজিটেল অমসুং ফিজিকেল ফোরমেট অনিমক্তা ফোংদুনা রাজনিতি দল পুমমক্তা খঙহল্লি।

রাহুল ঃ লাক্লিবা বিহার বিধান সভা মীখলগী স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজনদা হান্না ইলেক্তোরেল রোলদা য়াওবা মীওইশিংগী মমিং লৌথোকপা অমদি অনৌবা মীওই কয়া হাপচিনবনচিংবা অরানবা থৌওং চথরে হায়না কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা মরাল শিখ্রে। বিহারগী সসারামদা ঙসি ভোতরশিংগী হক্কী ওইবা রেল্লি অমা লমথাদ্রিঙৈদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী গান্ধিনা হায়- স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর)গী অশেংবা মশক অদু লৈবাক পুম্নবদা খঙহনগনি। ইলেক্সন কম্মিসনগী থৌওংদা চিংনবা পোকই হায়নসু মহাকা মরাল শিখি।

শ্রী গান্ধিনা মখা তানা হায়- লাইরবা অমসুং মতু শেনবা কাংবুশিংগী ওইনা ভোৎ থাদবগী হক অসি মখোয়গী মাংজিল থাবা হক অমনি অমসুং মসি কৈদৌঙৈদা মাংহনবা য়ারোই। মহাক্কী দলনা মহারাষ্ট্র অমসুং করনাতক্তা ভোৎ মেনিপুলেসন তৌরম্বা কয়া মীয়ামদা খঙহনখিবা লৈখ্রে হায়নসু শ্রী গান্ধিনা হায়রি।

বিজেপিঃ বি.জে.পি. পার্লিয়ামেন্টরি বোর্ডকী মীফম অমা ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা দলগী হেদক্বাটরসতা পাঙথোক্লি। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট অমসুং হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দা, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ য়াওনা পার্লিয়ামেন্টরি বোর্ডকী মেম্বরশিং শরুক য়ারি।

দলগী পাউনা হায়-মীফম অদুদা উপ রাস্ত্রপতিগী মীখলদা কনাবু মীরেপ ওইনা পুথোক্কদগে হায়বদুগী মতাংদসু খন্নরবা য়াই।

থা অসিগী তরুক্তা সরকার পায়রিবা নেসনেল দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্সকী লুচিংবশিংনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দাদা উপ রাস্ত্রপতিগী মীখলদা এন.দি.এগী মীরেপ ওইনা থাগৎকদবা মীশক লেপথোকহন্নবা ৱারেপ অমা লৌখিবনি।

উপ রাস্ত্রপতিগী মীখলগীদমক লাক্লিবা শগোলশেল নুমিৎ ফাওবদা মীরেপ চে পীশিনগদবনি। মীখলনা মথং থাগী ৯ দা পাঙথোক্কনি।

কঞ্জুমর ঃ লৈবাক অসিদা কঞ্জুমর গ্রিভান্স রেদ্রেসেলগী শিংথানিঙাই ওইবা থৌওং অমা ওইনা নেসনেল কঞ্জুমর দিস্প্যুটস রিদ্রেসেল কম্মিসন য়াওনা রাজ্য ১০ দা জ্লাই থাদা চাদা ১০০ গী মথক্তা কেসশিং লোইশিন্দুনা রেকোর্দ থমবা ঙমখ্রে।

কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রালয়না চেরোল অমদা হায়- মসিনা হায়রিবা মতম অসিদা মীয়ামা পুখৎলকপা কেস মশিংদগী বিচার চথুদুনা লোইশিনখিবা কেস মশিংনা হেল্লে হায়বদু উৎলে। দিপার্টমেন্ট ওফ কঞ্জুমর এফ্যারসকী দেটা মতুংইন্না চাদা ১২২ গী চাংদা কেসশিং লোইশিনবা ঙমখি।

ই-জাগ্রিতি প্লেটফোর্ম হেক হৌদোকখিবদগী এন.আর.আইশিং য়াওনা মীওই লাখ ২ হেনবনা কেস রেজিষ্টর তৌরকখি। চহি অসিখক্তদা পুন্না কেস লিশিং ৮৫,৫৩১ ফাইল তৌরকখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোলঃ দুরান্দ কপকী মরিসুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ কোলকাতাগী বিবেকানন্দ য়ুবা ভারতি করিরাঙ্গন ষ্টেদিয়মদা হৌজিক মোহন বগান সুপর জাইন্টস অমসুং ইষ্ট বেঙ্গোল এফ.সি. শান্নরি।

ঙসি নুংথিল শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা দাইমন্দ হারবর এফ.সিনা জামসেদপুর এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংলে।

ইন্দিয়ান নেভিবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা শিল্লোং লাজোং এফ.সি. দুরান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল চংখ্রবনি। শিল্লোংগী জব্রাহ্রলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা শিল্লোং লাজোংনা থংন-থংননা অনিরকশুবা ওইনা সেমি ফাইনেল চংখিবনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা, নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা বোড়োলেন্দ এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীদুনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ সেমি ফাইনেল চংখি।

থা অসিগী ১৯ দা শিল্লোং লাজোং এফ.সি অমসুং নোর্থ ইর্ষ্ট য়ুনাইটেদ সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা মোহন বগান স্পর জাইন্টস অমসুং ইষ্ট বেঙ্গোল এফ.সিগী অকাবগা টিম অদুগা থা অসিগী ২০ দা দাইমন্দ হারবর এফ.সিগা শান্নগনি। ফাইনেল মেটচ ওগষ্ট ২৩ দা শান্নগনি।

চেস ঃ কাংবা চেস একাদমিনা শিন্দুনা চথরকখিবা অনিরক শুবা কাংবা অন দর ত্বেন্তি ক্লাসিকেল চেস তুরনামেন্ট ঙসি হম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নিংঙোম থোং বজার কম্যুনিতি হোলদা লোইশিনখ্রে। থৌরম অদুদা তুরনামেন্ট অসিদা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোইশিংদা ত্রোফি, সার্তিফিকেট অমসুং শেলগী মনাশিং খুৎশিন্নখি।

**পৱার লিফতিং ঃ** জামসেদপুরদা পাঙথোক্কদবা সেনিয়র নেসনেল পৱার লিফতিং (ইক্যুপ এন্দ অন-ইক্যুপ) মেন্স এন্দ ৱিমেন চেম্পিয়নসিপ অমসুং নেসনেল বেন্স প্রেস ওল্ড এজ কেটাগোরি মেন এন্দ ৱিমেন্স চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগদবা পৱার লিফতিং এসোসিয়েসন মণিপুরগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসি হয়েংদগী হৌদুনা থা অসিগী ২১ ফাওবা জামসেদপুরগী বিসতুপুরদা পাঙথোক্কনি।

------